# প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা ৱার্ল্ড প্রেস ফ্রিদমগী ইন্দেক্স য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মে ৬ ঃ***

হন্দক্তা ফোঙখিবা প্রেস ফ্রিদম ইন্দেক্সতা মালেমগী লৈবাক ১৮০ গী মনুংদা ইন্দিয়াবু ১৩৮ শুবদা থমখিবা রিপোর্ট অদু প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা নাখৈ শেংবা ৱাংলি হায়দুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্টর ৱিদাউট বোর্দর (আর দব্লিউ বি) না চহী খুদিংগী ফোঙবা ৱার্ল্ড প্রেস ফ্রিদমগী ইদেক্স অসি লৈবাক ১৮০ গী প্রেসকী নীংতম্বা অদু ওনবনি। প্রেসকী নীংতম্বা ওনবগী পেরামেটরশিংগী মনুংদা মেদিয়াগী নীংতম্বা ইনভাইরোনমেন্ট, সেন্সরসিফ, লিগেল ফ্রেমৱার্ক, ট্রান্সপরেন্সি, ইনফ্রাইষ্ট্রকচরগী ক্কালিটি অমদি ঈ পাউ পুথোকপদা মতেং পাঙলিবশিং অদু য়াওই।

আর দব্লিউ বি গী এপ্রিল ২৫ দা ফোঙদোকখিবা চহীগী রিপোর্ট অদুনা ইন্দিয়া অসি হান্না ইন্দেক্স অসি ১৩৬ ওইরম্বদগী ১৩৮ দা লাকখিবনি। "ঐখোয়না আর দব্লিউ বি গী রিপোর্ট অসি য়াদে। ইন্দেক্সকী রেংকিং পীবগী মওং অসি ঐখোয়না য়ানিংদে। লৈবাক অমগী রেংকিং পীবদা শীজিন্নরিবা ইনপুটশিং অদু নাখৈ শেংবা ৱাংলি", হায়না প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী চিয়ার্মেন জষ্টিস (রিটয়ার) সি কে প্রসাদনা ফোঙদোকখি।

আর দব্লিউ বি গী রিপোর্ট অদুনা সপ্টেম্বর, ২০১৭ তা মশামক্কী য়ুমগী মমাঙদা কাপ্পুনা হাৎখিবা গৌরি লানকেস কুম্বা জর্নেলিষ্টকী মায়োক্তা চত্থখিবা হিংশাগী থবক অদুনা ইন্দিয়াগী রেংকিং হন্দহনবগী মরম ওইনা পীরি। রিপোর্ট অদুনা ইন্দিয়াদা পাউমীশিংগী মথক্তা চত্থরিবা ক্রাইম কয়াসু পল্লি।

পি সি আইগী চিয়ারমেন জষ্টিস প্রসাদনা হায়, পি সি আইনা আর দব্লিউ বি দা ২০১৫ দগী হৌনা ইন্দেক্স অদু করম্না শেম্বনো হায়বগী মতাংদা চিঠি কয়া ইখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা পাউখুম অমত্তা ফংবা লৈখিদ্রি। রেংকিং অসি আর দব্লিউ বিগী পার্টনর ওর্গনাইজেসনশিংদা থাবা কোইসনিয়ারশিংগী পাউখুম, মালেমদা লৈরিবা মসিগী করেসপোন্দেন্টশিং, রিসার্সরশিং, জুরিশিং অমদি হ্যুমেন রাইট এক্টিভিষ্টশিংগী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইবা মাল্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জষ্টিস প্রসাদনা হায়, ই সি আই না হান্ননা আর দব্লিউ বি দা রেংকিং অসি ষ্টেটিষ্টিক্স দটাদা য়ূম্ফম ওইদে। মীওই অমা নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অমগী মোৎতা য়ূম্ফম ওই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। সেপ্টেম্বর ২২, ২০১৫ দা আর দব্লিউ বি দা ইবা চিঠি অমদা পি সি আইনা হায়খি মদুদি ৱার্ল্ড প্রেস ইন্দেক্স ২০১৪ অসি প্রেসকী নীংতম্বা, পাউমীশিংগী অয়েৎ অপন লৈতবা লেজিসলেটিভ ইন্সটিট্যুসনশিংনা অয়েৎপা পীদবা অমদি মেদিয়াশিংনা থবক তৌবদা ইন্সটিট্যুসন ইনভাইরোনমেন্ট লৈবদা য়ূম্ফম ওইবগুম্না তৌই।

ইন্দিয়াগী রেংকিং অসি ২০১৪ দদি ১৪০ দা লৈখিবনি। টি সি আই না আর দব্লিউ বি দা ২০১৬ কী অঙনবা শরুক্তা ৱার্ল্ড ফ্রিদম ইন্দেক্সকী রেংকিং অসি ষ্টেটিষ্টিকেল দাটাদা য়ূম্ফম ওইনবা চিঠি অমা ইখি। "করিগুম্বা রেংকিং অসি ষ্টেটিষ্টিকেল দাটাদা য়ূম্ফম ওইরবদি মদুগী কোপি অমা ঐখোয়দা ফংহনবিয়ু। ঐখোয়গী মায়কৈদগী অশোয়বশিং অদু শেমদোকচগে" হায়না চিঠি অদুদা ইখি।

আর দব্লিউ বি না ২০১৪ অমসুং ২০১৫ দা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা ইদুনা ফোঙখিবা আর্টিকল অমগী মতাংদা পি সি আই না মার্চ ২০১৬ তা মতীক চাবা পাউখুম পীদুনা মদুনা ইন্দিয়াগী প্রেসকী নীংতম্বগী থাক লেপ্পগী ইন্দেক্স ওইবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

# আফগনিষ্টানগী বাগলানদা থবক তৌবা ইন্দিয়াগী ইঞ্জিনিয়ার ৭ ফাখ্রে



***কাবুল, মে ৬ ঃ***

আফগনিষ্টান্দা থবক তৌবা ইন্দিয়াগী ইঞ্জিনিয়ার তরেৎ ফাখ্রে হায়না মফম অদুগী লোকেল মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি। গভর্ণমেন্টনা রিপোর্ট অদু অচুম্বরা অরানবরা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না সরকারগী পাউগী লীখুন অমনা হায়রি।

ইঞ্জিনিয়ারশিং অদু অৱাং থংবা আফগনিষ্টানগী বাগলান প্রোভিন্সতা লৈবা পৱার প্লান অমদা থবক তৌবনি হায়না ন্যুজ এজেন্সি রিউটরনা ফোঙদোক্লি। মখোয় অদু মখোয়গী ড্রাইভরগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা চলাইবা পৱার ষ্টেসন অদুনা চৎলিঙৈদা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বা কাঙবু অমনা ফাখিবনি। মখোয়বু কনানা ফাবনো অদুগা রেন্সমনচিংবা তানবা লৈব্রা হায়বগী মতাংদা তংদাংবা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিনা ইন্দিয়াগী ইঞ্জিনিয়ার তরেৎ ফাখ্রে হায়বসি চপ চাবা খঙলে। "আফগনিষ্টানগী বাগলান প্রোভিন্সতকী ইন্দিয়াগী নেস্নেলশিং ফাখ্রে হায়বসি ঐখোয়না খঙই। ঐখোয়না আফগানগী ওথোরিটিশিংগা পাউ ফাওনরি অমদি মপূং ফাবা রিপোর্ট ফংনবা হোৎনরি" হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অমনা হায়রি।

মমাঙদা লান নংদুনা লৈরবা লৈবাক অসিদগী মী কয়া ফাখিবশিং অদু তালিবানশিংগা মরী লৈনখিবনি। অদুবু হন্দক্কী থৌদোক অসিদি কনানা দাইত্ব লৌগদৌরিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগীদি ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

হৌখিবা ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী এদস ৱার্কর অমা কাবুলদা ফাখি। মহাকপু নুমিৎ ৪০ নিগী মতূংদা থাদোরকখি। ইন্দিয়ানা লান নংলবা জাতি অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক মতম শাংনদগী হোৎনদুনা লাক্লি। হৌখিবা ২০০১ দগী হৌনা পূন্না য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন অনী লৈবাক অসিদা থাদগনি হায়না লাওথোক্কুনা থবক পায়খৎতুনা লাকপনি।

হৌখিবা চহীদা ন্যু দিল্লিনা হায় ইম্পেক্ট দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ১১৬ আফগনিষ্টানগী প্রোভিন্স ৩১ দা পায়খৎকনি হায়না লাওথোকপসু লৈখ্রবনি।

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 19/04/18
Valid : 17/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 am

**Manipur Gas**
Booking : 28/03/18
Valid : 27/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 am

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 28/03/18
Valid : 26/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 28/03/18
Valid : 21/03/18
Sl. No. 213440
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Canchi Gas**
Booking : 03/04/18
Valid : 30/03/18
Stk : 918
Rate : Rs. 761.50/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**B D Gas, Chandel**
Booking : 20/03/18
Valid : 10/03/18
Stk : 306
Time : 10.00 to 01.00 p.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 01/04/18
Valid : 15/03/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 03/04/18
Valid : 26/03/18
Sl. No. 150
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 23/03/18
Valid : 13/03/18
Stk : 558
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 26/03/18
Valid : 21/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 am

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 28/03/18
Valid : 27/03/18
Sl. No. 1001
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 am

**Athokpam Gas Wangjing & Khongjom**
Booking : 20/03/18
Valid : 28/02/18
Stock : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 03/04/18
Valid : 17/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Misao Gas**
Booking : 20/03/18
Valid : 10/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 19/04/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 8880
Stk : 306/19 kg 100
Delivery at Heinoupok Godown

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 11/04/18
Valid : 07/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

# দেল্লি অমসুং নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশতা নোংলৈ নুংশিৎতগী মিৎ-না শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ৬ ঃ***

ষ্টেট ১৩ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরি অনীদা হয়েং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি নোং চুবা য়াই হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা ৱার্নিং তৌরি। ঙসি অয়ূক মিনিষ্ট্রি অসিনা ৱেদর দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট পল্লদুনা হায় মদুদি - দিল্লি অমসুং মসিগা থংনবা এরিয়াশিং অমসুং উত্তর প্রদেশকী নোংপোক থংবা শরুকশিংদা চাওরাক্লা পূং ২ মুক অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলবা য়াই অমদি অকনবা নোং চুরবা য়াই। মমাঙগী চয়োলদসু ৱেদর ওফিসনা দিল্লি অমসুং মসিগী অকোয়বদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ হুম্নিরোম অসিদা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎপা য়াই হায়না চেকশিন ৱাহে ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা চয়োলদা ষ্টেট মঙাদা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি ব্রজ তাবনা মরম ওইদুনা মীওই ১২৪ শিহনখিবা অমদি ৩০০ হেন্না শোকহনখিবদুগী মতূংদা হোম মিনিষ্ট্রিগী চেকশিন ৱাহে অসি ফোঙদোরকপনি।

দিল্লি, গ্রেটর নোইদা, ফরিদবাদ, বলাভগ্রাহ, খুজাদা নোংমাইজিং নুমিত্তা নোং কন্না চুরবা য়াই। উত্তর প্রদেশকী নোংচুপ থংবা শরুক হায়বদি মিরুট, হপুর, মুজাহফর নাগর অমদি বিজনোরদসু নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং অকনবা নোং থেংনগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

মেট্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী এদভাইজরি অমা পল্লদুনা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলনা ঙসি হায়খি মদুদি হয়েং অসি অসাম মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরাগী মফম খরদা নোং চুরবা য়াই।

জম্মু অমসুং কাশ্মীর, উত্তরাখন্দ, হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি অমসুং নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশকী জগাশিংদা উফুল ৱাইফুন য়াওবা নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাও য়াওবা নোং চুরবা য়াই হায়না মেট্রোলোজি দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা য়ূমশকৈশ নুমিত্তা অখাক অরাও য়াওবা নোং অমদি উফুল য়াওবা নুংশিৎনা উত্তর প্রদেশ অমসুং রাজস্থান্দা পাক শন্না অমাঙ অতা থোকহনখি। খ্বাইদগী শাথিনা শোকখিবশিংগী মনুংদা আগ্রাগী অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা মীওই ৪৮ শিখি। অদুগা রাজস্থানগী ভারতপুরদা মীওই ১৯ অমা হাৎখি।

# য়ু এস কী 'প্রোভোকেসন' না শান্তিদা অকায়বা পীরে ঃ অৱাং কোরিয়া

***লন্দন (বি বি সি), মে ৬ ঃ***



অৱাং কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ারগী খূৎলাই থাদোক্ত্রিবা মখৈ সেঙ্কসন লৌথোক্লোই হায়না য়ু এস না থৌওইনা কায়হৌরি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি নোর্থ অৱাং কোরিয়াগী লীদর কি জোং উন মথং চয়োল খরগী মনুংদা উন্ননবা শেম শারিবনি। মসি লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা ইহান হান্না উন্নগদবনি।

অৱাং অমসুং খা কোরিয়াগী লুচিংবশিংনা হৌখিবা থাদা ন্যুক্লিয়ার লৈতবা লম শেমগৎনবা য়ানবা লৈখ্রবনি। ঙমখৈগী লমদমদা পাঙথোকখিবা নাকল অনীগী মিটিং অদু অৱাং কোরিয়া অমসুং য়ু এস না উন্নখ্রবা থা খরগী মতূংদা পাঙথোকখিবনি। মিষ্টর কিম অসি ১৯৫৩ গী কোরিয়াগী লান মতূংদা খা কোরিয়াদা খোঙদাখিবা অৱাং কোরিয়াগী অহানবা লুচিংবনি।

অৱাং কোরিয়ানা য়ু এস এ বু চাং নাইনা হুন্দুনা ঙাংলি। মরক অসিদা সমিট অমা পাঙথোক্লবগী থৌরাং তৌরিবনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লৈবাক অনীনা ৱারী শান্নবসি অরায়বা অমদি ওইরোই হায়না বি বি সি গী এসিয়া এদিটর মাইকেল ব্রিষ্টোনা মোট পীরি।

# ত্রিপুরাদা বি এস এফকী জৱান অমনা মমান্নবা ৩ হাৎখ্রে মশাসু শিজখ্রে

***অগর্টলা, মে ৬ ঃ***

বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী জৱান অমনা মহাক্না থবক তৌমিন্নবা জৱান অহুম নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লবা মতূংদা মশামকপুসু কাপশিঞ্জদুনা শিজখ্রে।



ষ্টেট অসিগী উনাকোটি দিষ্ট্রিক্টতা মাগুরুলী বোর্দরদা লৈবা ৫৫ শুবা বি এস এফ কী বটালিয়ন্দা পোষ্টিং লৈরম্বা শিসু পাল অসি জম্মু অমসুং কাশ্মীরদগীনি। মহাক্না হেদ কন্সটেবল অমা য়াওনা জৱান অহুম নোংমৈনা কাপ্লবা মতুং মহাক্না পায়বা নোংমৈ অদুনা মশামকপুসু কাপশিন্দুনা শিজখিবনি হায়না বি এস এফ কী ওফিসার অমনা ফোঙদোকখি।

ঙসি অয়ূক অঙনবা নোংয়াই মতূং পূং ১ অদুৱাইদা বোর্দর পোষ্ট অদুদা লাক্লগা শিসু পালনা হেদ কন্সটেবল রিংকু কুমারবু কাপখি। মথংদা রাজেস কুমারবুসু কাপখি। হেদ কন্সটেবল অদু মফম অদুমক্তদা শিখি অদুগা অতোপ্পা কন্সটেবল অদুনা উনাকোটিদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। অহানবা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না থৌদোক অদু মখোয় মশেন নুংঙাইনদবদগী থোকখিবা মাল্লি। বি এস এফ কী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মখা তানা থি হুম্বগী থবক চত্থখ্রে।

হৌখিবা দিসেম্বর ষটিসগরদা পোষ্টিং লৈবা সি আর পি এফ কী জৱান অমনা মহাক্না পায়বা এ কে-৪৭ এসোল্ট রাইফলনা মহাক্কী মথক থোংবা অহুম অমসুং কন্সটেবল অমা কাপ্পুনা হাৎখি। মহাক মশাসু মথবাক্তা নোংমৈনা পানখি। থৌদোক অদু মখোয় মশেন মরৈ খরা য়েৎনরবা মতূংদা থোকখিবনি।

মহাক্না থবক তৌমিন্নবশিং হাৎখিবা সি আর পি এফ কী ইন্টেলিজেন্স ৱিংগী কন্সটেবল অদু উত্তর প্রদেশকী ফিরোজবাদতগীনি। মমিংনা সানাথ কুমার কৌই। মহাক্না ময়ূমদা চৎকে হায়না ছুটি নিবদা পীদবগী ৱাহৌদগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

# সুপ্রিম কোর্টকী জজ হাপ্পা য়াদবসি মাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রি ঃ *জষ্টিস জোসেপ*

***ন্যু দিল্লি, মে ৬ ঃ***

মহাকপু সুপ্রিম কোর্টকী জজ হাপ্পগী ৱাফম গভর্ণমেন্টনা য়াদনা থমখিবা জষ্টিস কে এম জোসেপনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে। মদুদি সেন্টরগী ফিরেপ অসি মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রি। অসুম্না য়াখিদবা অসিনা গভর্ণমেন্ট অমদি জুদিসিয়ারিগী মরক্তা উংখৎনবা অমা থোকহল্লে। কংগ্রেসনদি উত্তরাখনদা ২০১৬ তা প্রসিদেন্ট রুল থম্বা য়াখিদবা মহাক্কী জজমেন্ট অদুগী লমন খুম্বনি হায়না মরাল শীরি। ৱাফম অসি লিগেল কম্ম্যুনিটিগী কাঙলূপ খরনসু শৌগৎলদুনা ঙসি জুদিসিয়ারিগী নীংতম্বদা খূৎ থিংজিনবনি হায়রি।

কোল্লেজিয়মনা খন্ননবা থাগৎখিবা মিংদা য়াখিদবা হায়বসি অমুক্তা থোকখিদ্রি হায়না জষ্টিস জোসেপনা ন্যুজ এজেন্সি এ এন আই দা ফোঙদোকখি। "সুপ্রিম কোর্ট কোল্লেজিয়মনা মিটিং অমা পাঙথোকখ্রে। মরম অদুনা ঐনা করিগুম্বা অমত্তা হায়ননবগী রাইট লৈত্রে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌখিবা চয়োলদা পাউগী লীখুন অমনা হায়খি মদুদি। সুপ্রিম কোর্টকী খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা জজ মঙানা শাবা কোল্লেজিয়ম অমনা জষ্টিস জোসেপপু প্রমোসন পীননবা রিকোমেন তৌখিবনি। রুলগী মতূং ইন্না মহাক্কী মমিং অসি অনীরক শুবা ওইনা রিকোমেন তৌরিবদি মদু গভর্ণমেন্টনা এপ্রুপ তৌফম থোকই।

গভর্ণমেন্টনা হান্নদগী হৌনা জুদিসিয়েল এপোইন্টমেন্টকী থবকশিং শেমদোক শেমজিন তৌনবা হোৎনদুনা লাকপনি। মরক অসিদা কোল্লেজিয়মনা জষ্টিস জোসেপপু হৌখিবা থাদা রিকোমেন্ট তৌরকপা অদু "ওবজেক্টিভ অমসুং ফিয়ার" ওইনা অমুক হন্না খন্ননবা হায়রকখিবনি।

লিগেল সার্কলগী সেক্সন অমনা হায়রিবনা হন্দক্কী থৌদোক অসি জুদিসিয়ারিগী নীংতম্বা অদু কিনিঙাই ওইরে হায়বগী পাউজেল অমা পীবনি। অসিগুম্বা নুংনাংবা অসি হান্ননসু গভর্ণমেন্টনা নেস্নেল জুদিসিয়েল এপোইন্টমেন্ট কম্মিসন শেম্ননবা মদুদা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ য়াওননবা হোৎনরকখিবা মতমদসু ফোঙদোকখ্রবনি।

ওক্টোবর ২০১৫ দা অসিগুম্বা কন্দিসন অমা শেম্বদু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদবগী ৱাফম লৈখ্রবনি। জুদিসিয়ারিগী নীংতম্বা অসি কন্সটিট্যুসনগী বেসিক ইষ্ট্রকচরনি। মসি হোংদোক হোংজিন তৌবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা রাই পীখিবা লৈখ্রবনি।

সনা-সুদোকু -১১৫৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 1 | 9 | 6 | 7 | 5 | 2 | 8 |
| 9 | 6 | 8 | 2 | 3 | 5 | 4 | 1 | 7 |
| 2 | 5 | 7 | 4 | 1 | 8 | 9 | 6 | 3 |
| 1 | 7 | 9 | 5 | 2 | 3 | 8 | 4 | 6 |
| 5 | 8 | 2 | 6 | 7 | 4 | 1 | 3 | 9 |
| 6 | 3 | 4 | 1 | 8 | 9 | 7 | 5 | 2 |
| 7 | 9 | 5 | 3 | 4 | 6 | 2 | 8 | 1 |
| 4 | 2 | 3 | 8 | 9 | 1 | 6 | 7 | 5 |
| 8 | 1 | 6 | 7 | 5 | 2 | 3 | 9 | 4 |

# ইন্দিয়াগী প্রোজেক্টেদ গ্রোথ রেট চাদা তরেৎ য়ৌবসি কা হেন্না য়াংঙি ঃ *এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ক*

***মনিলা, মে ৬ ঃ***

চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা ইন্দিয়াগী প্রোজেক্টেদ জি দি পি গ্রোথ অসি চাদা তরেৎ হেনবসি কা হেন্না য়াংঙি। খোঙচৎ অসি অশুম চত্থবা ঙম্লবদি ইন্দিয়াগী ইকোনোমিক অসি চহী ১০ গী মনুংদা শরুক অনী হেনগৎপা ঙমগনি হায়না এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ক চীফ ইকোনোমিষ্ট য়াসুয়ুকি স্বাদানা হায়রি।

লৈবাক অসিনা গ্রোথ রেট চাদা নিপান ফংবদা করিসু ৱানিংঙাই লৈতে। তৌবতবু ইনকম ইনইক্কেলিটি হন্থহন্দুনা দোমেষ্টিক দিমান্দ হেনগৎহনবদা হেন্না মীৎয়েং চঙগদবনি।

এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্কনা ইন্দিয়া অসি ২০১৮-১৯ দা চাদা ৭.৩ অমসুং ২০১৯-২০ দা চাদা ৭.৬ হনগৎকনি হায়না পাদুনা এসিয়াগী জাতিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াংনা চেল্লিবা অমনি হায়না প্রোজেক্ট তৌরি। "চাদা ৭ গ্রোথ লৈবা হায়বসি কা হেন্না য়াংই। অসুম্না চাদা ৭ গ্রোথ হেনগৎপা অসি চহী ১০ চূপ্পা চত্থরবদি ইকোনোমি অসি শরুক অনী হেনগৎকনি" হায়না পি টি আই দা পীবা ইন্টরভ্যুু অমদা স্বাদানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ইকোনোমিগী সাইজ অসি হৌজিক য়ু এস দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ২.৫ ওইদুনা মালেমগী মনুংদা তরুক শুবা ওইরি।

ইকোনোমি এফিয়ার্সকী সেক্রেটরী সুবাস চন্দ্র গার্গনা হায়, লৈবাক অসিগী ইকোনোমি অসি হৌজিক পরম চুম্না চৎলি। ২০২৫ দদি য়ু এস দোল্লর ট্রিলিয়ন মঙা য়ৌদুনা শরুক অনী হেনগৎপা শোয়দনা ঙমগনি। মপান লমদা পোৎ থাদোকপনা ইকোনোমি গ্রোথ হেনগৎহনবদা মতেং ওইগদ্রা হায়না হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, ইন্দিয়াগী ইকোনোমি গ্রোথ অসি প্রাইভেট কঞ্জুমসননা মপূং ওইবনা দোমেষ্টিক মার্কেটনা ইকোনোমি হেনগৎপগী মেজর রোল লৌই।

# কংগ্রেসনা ষ্টেট অনীদা কন্সটিট্যুসন কন্নবা ইহৌ শাগৎকদৌরি

***ন্যু দিল্লি, মে ৬ ঃ***

কংগ্রেসনা চহী অসিগী লোয়রকপদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অনী মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থান্দা "সেভ দি কন্সটিট্যুসন" কনসি হায়বা ইহৌ শাগৎপগা লোয়ননা দলিটশিং কোনশিনবগী থবক চত্থগদৌরি হায়না পাউগী লীখুন অমনা ঙসি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসি কর্নাটকা এসেমব্লি পোল অসি হেক লোয়বগা চত্থগনি। কংগ্রেসনা কন্সটিট্যুসন অমসুং দলিটকী মায়োক্তা চত্থরক্লিবা থবকশিং অসি ময়ামদা খঙহন্নবগী থবক পায়খৎকনি। কর্নাটকাগী মীখল মে ১২ দা পাঙথোক্কদবনি।

এপ্রিল ২৩ দা নেস্নেল কেপিটেলদা হৌদোকখিবা কেম্পেন অদুনা বি জে পি গভর্ণমেন্টকী মখাদা কন্সটিট্যুসন অমদি দলিট, ও বি সি অমদি মাইনোরিটিশিংগী মায়োক্তা চত্থে হায়রিবা থবকশিং পাক শন্না খঙহনগদৌরি।

বি জে পি না মধ্য প্রদেশতা চহী ১৫ শাসন পায়রক্লি। হৌখিবা ২০১৩ গী মীখলদা বি জে পি না সিট ২৩০ লৈবা হাউসতা সিট ১৬৫ ফংবা ঙমখি। কংগ্রেসনা সিট ৫৮ ফংখি। এন দি এ না রাজস্থানদা ২০১৩ গী মীখলদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ২০০ গী মনুংদা ১৬৩ ফংখি অদুগা কংগ্রেসনা ২১ খক ফংখি।

মধ্য প্রদেশতদি সেদুল কাসকী রিজার্ব সিট ৩৫ গী মনুংদা শরুক অহুম থোকপগী অনী বি জে পি না ফংখি। কংগ্রেসনা ৪ খক্তমক ফংখি হায়রি।

# রেলৱেগী লম একর ১২,০৬৬ ষ্টেটশিংদা পীথোক্কদৌরি

***ন্যু দিল্লি, মে ৬ ঃ***

রেলৱেগী শীজিন্নদনা লৈরিবা অহেনবা একর ১২,০৬৬ ষ্টেটশিংনা শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না রেলৱে মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১৩ দা চিঠি ইখ্রে। মখোয়না লম অসি লৈবা নৎত্রগা মহুৎ ওন্থোক্তুনা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

করিগুম্বা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা লমশিং অদু শীজিন্ননবা লৌখ্রবদি রেলৱেনা লুপা কোটি লীশিং কয়া তানবা ঙমগদৌরি। রেলৱে মোর্দনা মখোয়গী প্রপোজেলশিং অদু দিভিজনেল রেলৱে মেনেজরশিংদা থাগৎলক্লবসু রেলৱে মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রে হায়রি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1159**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | | | | | 2 | | |
| | | 1 | | 6 | 4 | 9 | 3 | |
| | | | | | | | | |
| | 9 | | | | | | 5 | 6 |
| 7 | | 5 | 2 | | | | | |
| | | 3 | | | | | | 4 |
| | | | 7 | 2 | | 1 | | 3 |
| | 1 | 6 | | | 5 | | 7 | |
| | 2 | | | | 1 | | | |